# ২১শুবা এন পট্টামা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট এসএৱাইসি (এ) না এসএৱাইসি (বি) বু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপারাদা লৈবা লমলেন কম্মুনিটি হোল কম কাং শঙ, বাবুপারাদা দিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবাম, মণিপুরনা শীন্দুনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা হৌখিবা ওগষ্ট থাগী তাং ২৯ দগী হৌদুনা চংখরক্লিবা ২১ শুবা এন পট্টমা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ তা এসএৱাইসি(এ) সোরোক অতিংবীনা এসৱাইসি(বি) সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ২৬–১১ দা মায়থিবা পীদুনা এসএৱাইসি(এ) সোরোক অতিংবী ফাইনেল চঙখ্রে।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৮ দা এলইসি (এ) বাবুপারাগা মহাদেব নিং থেম্বমগা শান্নরগনি। অদুগা ফাইনেল মেটচনা লাক্লিবা থা অসিগী ২০ দা শান্নরগনি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা এসএৱাইসি (এ) সোরোক অতিংবী অমদি এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবী শান্নখি। এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবীনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবী টিমনা কাং কাপ্পা হৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা য়াম্না কন্না ফজনা শান্নখি। অদুবু অপীবা মতমদা এসএৱাইসি (এ) সোরোক অতিংবীনা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ২৬–১১ দা মায়থিবা পীদুনা । এসএৱাইসি (এ) সোরোক অতিংবী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা এন কুঞ্জমোহন সিংহনা অম্পয়র ওইখি অদুগা ই তোমচৌ সিংহ না স্কোরর ওইখি।

# খুনাই অমা চাওখৎপা অওনবা পুরকপদা শান্নরোইগী থৌদাং চাওইঃ নারেংবম বিশ্বরজিৎ



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
লমদম অমা চাওখৎপা অওনবা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা শান্নরোইশিংগী থৌদাং চাওবা মরমনা মখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপীবা চংই হায়না সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস চিয়রমেন নারেংবম বিশ্বরজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

হন্দক পট্টনাদা পাঙথোকখিবা ১৫রকশুবা ইষ্ট ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা মিষ্টর ইষ্ট ইন্দিয়া টাইটল লৌরকখ্রবা সলাইগী শান্নরোই ৱাংখেম মাহেস সিংহবু সলাই বোদি স্কলপচরগী মাইকৈদগী লুপা লিশিং ৫০ অমদি মোমেন্টোনচিংবা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

শগোলবন্দ তেরা লৌক্রা পম লৈকায়দা লৈবা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদ কোর্পোরেসনগী ওফিস কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সলাইগী ভাইস–চিয়রমেন নারেংবম বিশ্বরজিৎনা হায়–সলাইনা লমদম অসিবু লাক্কদৌরিবা চহি ২০ অসিদা অওনবা চাওখৎপা খুনাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা চং শিনলকখিবা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা শান্ন–খোৎনববু চাওখৎহনদবা য়াদে হায়দুনা ফুটবোল টিমনা চিংবা শেমগত্তুনা লাক্লি।

চাওখৎপা খুনাই অমা ওইহনবদা মশা–মউ ফবা চংই মশিগীদমক সলাই বোদি স্কলপচর লিংখৎতুনা শান্নরোই ৩০০ হেনবনা শান্নরি লোয়ননা মখা তানা ব্রাঞ্চশিং লিংখৎনবা হোৎনরি।

সলাইনা লমদম অসিগী শান্নরোইশিংবু মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা মালেমগী থবক পুখৎনবা হোৎনগনি মসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মিষ্টর ইষ্ট ইন্দিয়াগী টাইটল লৌরকখ্রবা সলাই বোদি স্কলপচরগী শান্নরোই ৱাংখেম মাহেস সিংহবু লুপা লিশিং ৫০ পীদুনা ইকায় খুমনবা উৎপনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱার্ল্ড ফুনবা ফেডরেসনগী ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস এসোসিয়েসনশিংনা স্পোর্টস চাখৎহন্নবগী মীৎয়েংদা অকনবা থবক পায়খৎহন্নিংবগী ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মতমগা চুনদ্রবা মীইশিংদি এসোসিয়েসনগী ফম কোন্দুনা লৈবগী চৎনবী থাদোকপীরো হায়না ফোঙদোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ফুনবা ফেডরেসনগী ফাউন্দেসন ডে অমসুং ষ্টেট লেবেল ফুনবা চেম্পীয়নশিপ ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা হায়, মণিপুরগী স্পোর্টস এসোসিয়েসন খরদি মীচঙ খোমনবা অমদি মশেল মুক্কবনা মরম ইদুনা মরাই চাইথহল্লে। মরম অদুনা মতমগা চুনদ্রবা মীইশিংদি এসোসিয়েসনগী ফম কোন্দুনা লৈবগী চৎনবী থাদোকপীরো। মদুগী মহুৎ মতিক মথৌনা লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা ওইনা থৌদাং শিন্নবীরো। ডিসিপ্লিন য়াওদনা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মায় পাকপা ঙম্লোই হায়রদুনা ডিসিপ্লিন হায়বসিনা শান্ন খোৎনবগী মায় পাক্ক বগী য়ুম্ফমনি। ইকুই কুইদনা পাঙথোকখিবা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল টুর্ণামেন্টশিংদা ষ্টেট অসিদগী শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্সতা পেনফাত্তবা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী পার্ফোমেন্স নৌহৌননা নৈননবা অখন্নবা সেমিনার পাঙথোকপা মথৌ তারে হায়খি। ষ্টেট গবর্ণমেন্টনা টাটা ফুটবোল একাডমি অমদি বেলজিয়মদগী মশক নাইবা ফুটবোল কোচশিং নেক্কুনা মণিপুরগী ইনখৎলক্লিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং ট্রেনিং তৌনবা হোৎনরগনি হায়খি। থৌরম অদুদা ৱার্ল্ড ফুনবা ফেডরেসনগী মায়কৈদগী ষ্টেট গবর্ণমেন্টদা এম্বুলেন্স অমা দান তৌখি। ফেডরেসনগী মায়কৈদগী ঙসিগী প্রসিডেন্ট রনবির সিংহ লাইশ্রমনা এম্বুলেন্সকি ছো অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা খুৎশিন্নখি। আর্জুন এৱার্ডি ৱুসু শান্নরোয় এম বিমোলজিৎ সিংহ, ৱাই সপনা অমদি আর্চর পাউনম লিলি চনুবুসু ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা শেলগী মনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

# মিষ্টর বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা মুতুম সঞ্জিৎ সিংহনা ওভর ওল টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
ওল মণিপুর বোডি বিল্ডিং এণ্ড ফিটনেস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টর কৈনৌনা শীন দুনা কৈনৌ থোংখোং কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মিষ্টর বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডিং কন্টেষ্ট ২০১৮ গী ওভর ওল টাইটল মুতুম সঞ্জিৎ সিংহ–সুবোল ফিটনেস ওইনাম জিমনা, বেষ্ট পোজর সোরাইসম কামচানা, টিম চেম্পীয়ন সুবোল ফিটনেস জিমনা অমদি রন্নর অপ লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টর কৈনৌনা তাখ্রে। চেম্পীয়শিপ অসিগী কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরগী সোরাইসম কমচানা ফার্ষ্ট, লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরগী সলাম মেক্সনা সেকেন্দ, ড রেডো আর্ট জিমগী সাবির খাননা অহুমশুবা অমদি লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরগী তখেলচংবম মিলননা মরীশুবা তাখি। কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী মুতুম সঞ্জিৎনা ফার্ষ্ট, বিষ্ণু জিমগী লৈহাতোংবম গিৎচন্দ্রনা সেকেন্দ, সুবোল ফিটনেস জিমগী নারেম মহেসনা থার্ড অমদি বিষ্ণু জিমগী থাইমৈ দাইথাওলুংনা মরিশুবা তাখি। কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ক্লিপত্রা ফিটনেস সেন্টরগী লৈচোম্বম নোংলৈখোম্বা সিংহনা ফার্ষ্ট, সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী কোংগ্রাইলাৎপম বিদয়ামনিনা সেকেন্দ, লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরগী নারেম ঙোঙো সিংহনা থার্ড অমদি বিষ্ণু জিমগী খাঙেম্বম বিকাসনা ফোর্থ তাখি। কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী শিজগুরুময়ুম দয়ানন্দনা ফার্ষ্ট, ইদিসিগী মুতুম বুধিচন্দ্রনা সেকেন্দ, ড রেডো আর্ট জিমগী য়ুমখাইবমম সাইলেসনা থার্ড অমদি লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেঃটরগী লৌরেম্বম লম্ফোইবনা ফোর্থ পোজিসন তাখি। কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ড রেডো আর্ট জিমগী কোন্সম প্রেমচান্দনা ফার্ষ্ট, সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী বিশ্বানন্দনা সেকেন্দ অমদি বিষ্ণু জিমগী সিধার্থ খাইদেমনা থার্ড তাখি। কেজি ৭৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী রাজেস সরাংথেমনা ফার্ষ্ট অমদি বিষ্ণু জিমগী এমকে গাইথুআন রোংমৈনা সেকেন্দ তাখি। মাষ্টরগী চহী ৪০ মথক্কী কাঙলুপ্তা সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী মাইবম পুনিনকান্তনা ফার্ষ্ট তাখি। ফিজি কেল্লি চেল্লেঞ্জতা বিষ্ণু জিমগী অহোংশাংবম ননাওনা ফার্ষ্ট তাখি। সেন্টিমিটর ১৭০ মখাগী মেন ফিজিক্তা সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী মুতুম সঞ্জিৎনা ফার্ষ্ট, লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরগী সোরাইসম কমচানা সেকেন্দ, বিষ্ণু জিমগী লৈহাথাবম গিতচন্দ্রনা থার্ড অমদি বিষ্ণু জিমগী থাইমৈ দাইথালুংনা সেকেন্দ তাখি। সেন্টিমিটর ১৭০ মথক্কী মেন ফিজিক্তা লাইনিংথৌ লম অহিংবা ফিটনেস সেন্টরগী নাওরেম ঙোঙোনা ফার্ষ্ট, ক্লিপত্রা ফিটনেস সেন্টরগী নিঙোম্বম রনাবিরনা সেকেন্দ, সুবোল ফিটনেস সেন্টরগী বিশ্বনন্দনা থার্ড অমদি ইদিসি নম্বোলগী লৈচোম্বম নোংলৈখোম্বনা ফোর্থ তাখি।

# ইষ্ট জোন জুনিয়র এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরনা মেডল ৯ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
থা অসিগী ১৫ দগী বিহারদা চংখরকপা ৩০শুবা ইষ্ট জোন জুনিয়র এঠলেটিক চেম্পীয়নশিপ ২০১৮ দা মণিপুরনা গোল্ড মেডল ২ সিলভর মেডল ৪ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৩ লৌখ্রে। চেম্পীয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী লোং জম্পতা হিজম জেনিতনা মিটর ৫.৬৭ চোংদুনা ব্রোঞ্জ লৌখি। চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী মিটর ৩০০০ গী লমজেলদা ৱাই অমরজিৎনা ৯২১.১৫ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর, চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী মিটর ১০০ গী হরদলদা ৱারিসনা ১৪.৯০ সেকেন্দ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ, চহী ২০ মখাগী নুপীমচাগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা এন চাওবনা ৫০০.২০ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর, চহী ১৬ মখাগী মিটর ৩০০০ গী নুপীমচাগী ৱাক্কতা সিঐচ নাওচানা ১৯১০.৩১ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড, কেঐচ পিয়াঙ্কানা ১৯১১.৫৩ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর লৌখি। চহী ২০ মখাগী নুপামচাগী মিটর ১০,০০০ গী ৱাক্কতা নিমাইচান দনা ৫৮২১.৩৬ সেকেন্দ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ, চহী ১৮ মখাগী নুপামচাগী মিটর ১০,০০০ গী ৱাক্কতা ডব্লিয়ু ৱিলিয়মনা ৫১০২.৩১ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড অমদি এমদি হিফজুর রহমননা ৫১০৮.১৬ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর লৌরকখিবনি।

# ইটালিগী সেরি এদা জুবেন্টসনা সাসুলোবু ২–১ দা থোইখ্রে

রোম, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
ইটালিগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এদা চেম্পিয়ন ক্লব জুবেন্টসনা সাসুলোবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি জুবেন্টস অমসুং সাসুলোনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদুদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিদা নৌনা শরুক য়াখিবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সাসুলোবু ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা ম খা তানা শান্নরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা জুবেন্টসনা সাসুলোবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অসিগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা সাসুলোগী শান্নরোই খৌমা বাবাকারনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবসু মেটচ অদু জুবেন্টসনা সাসুলোবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

সেরি এ লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা রোমা অমসুং এসি চিয়েভো ভেরোনা পাঞ্জল ২–২ দা ড্রো চৎখি।

# মিথালিনা সেঞ্চুরি লৌখ্রবসু ইন্দিয়া শ্রী লঙ্কাগী মখূত্তা মায়থিখ্রে

কাটুনায়েকে, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না শ্রী লঙ্কাদা চৎলিবা টুর অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন মিথালি রাজনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু শ্রী লঙ্কাগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

চখরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অনী ইন্দিয়ানা থোইদুনা সেরিজ মাঙজৌননা লৌবা ঙমখ্রবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ২৫৩ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুদা ওপনর স্মিৃতি মন্ধনানা রন ৫১ লৌরম্বা অমসুং মিথালি রাজনা আওট ওইদনা রন ১২৫ লৌরম্বা অদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ২৫৩ য়ৌরকপনি।

শ্রী লঙ্কানা মায় পাক্নবগী মথৌ তাখিবা রন ২৫৪গী টার্গেট অদু ৱিকেট ৭ তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু শ্রী লঙ্কানা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীখি।

শ্রী লঙ্কাগী কেপ্টেন চামারি পেরেরানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎতুনা আওট ওইদনা রন ১১৫ লৌরম্বা অদুনা মপুং ওইরগা মেটচ অদু মখোয়না মায় পাকখিবনি। শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদুদা অতোপ্পা বেটসৱুমেন ওপনর হাসিনি পেরেরাসু রন ৪৫ লৌরমখি।

# ইন্দিয়া সর্ভিয়াগী মখূত্তা ০–৪ দা মায়থিখ্রে

ক্রালজেভো, সেপ্টেম্বর ১৬ঃ
সর্ভিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা ইন্দিয়াগা শান্নরিবা দেভিস কপ ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফতা ইন্দিয়া সর্ভিয়াগী মখূত্তা ০–৪ দা মায়থিখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচ ওইখিবা সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী বালাজিবু সর্ভিয়াগী পেদজা করষ্টিননা ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বদগী টাই অসিদা ইন্দিয়া মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা সর্ভিয়াগী মখূত্তা ০–৪ দা মায়থিহৌবনি।

## ICC T-20 Top 30 Batsmen Rankings

| Position | | Player | Rating | Best Rank |
|---|---|---|---|---|
| 1 | | Aaron Finch AUSTRALIA | 891 | 1 |
| 2 | | Fakhar Zaman PAKISTAN | 842 | 2 |
| 3 | | Lokesh Rahul INDIA | 812 | 3 |
| 4 | | Colin Munro NEW ZEALAND | 801 | 1 |
| 5 | | Babar Azam PAKISTAN | 765 | 1 |
| 6 | | Glenn Maxwell AUSTRALIA | 761 | 2 |
| 7 | | Martin Guptill NEW ZEALAND | 747 | 1 |
| 8 | | Alex Hales ENGLAND | 710 | 1 |
| 9 | | D Arcy Short AUSTRALIA | 690 | 9 |
| 10 | | Rohit Sharma INDIA | 678 | 10 |
| 11 | - | Evin Lewis WINDIES | 671 | 2 |
| 12 | - | Virat Kohli INDIA | 671 | 1 |
| 13 | - | Mohammad Shahzad AFGHANISTAN | 647 | 7 |
| 14 | - | Jason Roy ENGLAND | 641 | 14 |
| 15 | - | Kane Williamson NEW ZEALAND | 634 | 3 |
| 16 | - | Hashim Amla SOUTH AFRICA | 628 | 8 |
| 17 | - | Jos Buttler ENGLAND | 614 | 17 |
| 18 | - | Hamilton Masakadza ZIMBABWE | 610 | 4 |
| 19 | - | Eoin Morgan ENGLAND | 596 | 1 |
| 20 | - | Joe Root ENGLAND | 595 | 4 |
| 21 | - | Kusal Perera SRI LANKA | 594 | 5 |
| 22 | - | Shikhar Dhawan INDIA | 589 | 17 |
| 23 | - | Faf du Plessis SOUTH AFRICA | 582 | 3 |
| 24 | - | Solomon Mire ZIMBABWE | 581 | 24 |
| 25 | - | Marlon Samuels WINDIES | 563 | 3 |
| 26 | - | Jean-Paul Duminy SOUTH AFRICA | 560 | 6 |
| 27 | - | Shoaib Malik PAKISTAN | 560 | 4 |
| 28 | - | Sabbir Rahman BANGLADESH | 561 | 10 |
| 29 | - | David Miller SOUTH AFRICA | 546 | 22 |
| 30 | - | Malcolm Waller ZIMBABWE | 542 | 22 |

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com